# রাহুলনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী কেম্পেনদা লুচিংবা ওইরগনি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭ ঃ** কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটি (সি দব্লিয়ু সি) গী মীফম্না কংগ্রেসনা ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিবু লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী কেম্পেনদা লুচিংবা ওইননবা ৱারেপ লৌখ্রে। অদুম ওইনমক, মহাকপু পার্টি অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেটনি হায়নদি লাউথোকখিবা লৈতে হায়না পার্টি অদুগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়ুঠ কংগ্রেসকী ৱার্কর কয়ানা রাহুল গান্ধিবু প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেটনি হায়না লাউথোক্নবা খোল্লাও কয়া পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া কমিটিগী মীফম অদুদা লাউরকখি। রাহুল গান্ধিবু অরোইবা ওইনা লাক্লিবা লোক সভাগী কেম্পেন তৌবদা লুচিংবা ওইহন্নবা ৱারেপ অদু ঙরাং লৌখিবনি।

কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইং ২০১৪ গী লোক সভা মীখল অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি লানফম অমনি। লোয়ননা ধর্ম্মদা মীচঙ মীখায় নাইদবা হায়বা চৎন-কাংলোন অদুদা লেপ্লি হায়খি। লাক্লিবা মীখল অদুগী মাঙওইননা মীয়াম অদুনা পূন্দুনা ৱা তানমিন্নখি। মীফম অদুনা কংগ্রেস পার্টিনা লাক্কদৌরিবা লানফম অদুদা মপূং ফানা শেম-শাবগী ফিভম অদু উৎখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পার্টি অদুবু হৌদোক্লম্বা ইপা-ইপুশিংগী খুদুং ইন্দুনা পার্টি অদুনা লাক্লিবা মীখল অদু শেম-শারি। লানফম অদু ধর্ম্মদা মীচঙ-মীখায় নাইদবা হায়বা ৱাফমদা থেংনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু পি এগী চ্যেরপর্সন অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙদা কংগ্রেস পার্টিনা খুদোংথীবা কয়া থেংনখ্রে। থেংনখিবশিং অদুগী মনুংদা হন্দক থেংনগদৌরিবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শাথীবা ওইগদৌরি।



পার্টি অদুনা লৈবাক অসিবু মতমগা চানবা মওংদা পুখৎননবা হোৎনরি। কংগ্রেস পার্টিগী পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্মা পার্টি অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা রাহুল গান্ধিবু মিং পন্দুনা লাউথোক্নবা ফোঙদোক্নরকখি।

মতাং অদুদা সোনিয়া গান্ধিনা হায়খিবদা, পূং খরগী মমাঙদা মহাক্কী ওইবা ৱারেপ অদুদি ফোঙদোকখ্রে। রাহুল গান্ধিনা লাক্লিবা মীখল অসিগী মরু ওইবা অদু ইলেক্সন কেম্পেনর ওইরগনি হায়খি।

পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর লিশিং কয়ানা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা পুনখি। চৎলিবা চহি অসিগী মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল অদুদা খুদোংচাবা লৌননবা অমদি মীওইবগী হক মাঙহন্দনবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্নরকখি।

চহি ১০ হেন্না সরকার পায়রক্লবা কংগ্রেস পার্টিনা মরু ওইবা ওপোজিশন পার্টি ওইরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী ৱাখল্লোনসু নৈনখি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা দাঃ মনমোহন সিংহ থা অনিগী তুংদা থবক্তগী পোত্থারগনি। অদুগা পার্টি অদুগী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা চহি ৪৩ শুরবা রাহুল গান্ধিবু খ্বাইদগী পাম্বা মীশক অমা ওইনা লৌরি।

পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কংগ্রেস পার্টিনা শোয়দনমক মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবসু প্রাইম মিনিষ্টর দাঃ মনমোহন সিংহনা ফোঙদোকখি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা পার্টি অদুগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমসুং লিরবা সোনিয়া গান্ধিগী ৱাখল্লোনশিং লৌখি।

কংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিংনদি সোনিয়া গান্ধিবু প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকপা পামখিবনি। অদুম ওইনমক, কংগ্রেস প্রসিদেন্টনা য়াখিদে হায়না পার্টি অদুগী জেনরেল সেক্রেটরি জনার্ধন দুইবেদিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

কংগ্রেস পার্টিগী চৎনবী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ অদু মীখলগী মাঙওইননা লাউথোক্নদে। অদুম ওইনমক, অতোপ্পা পার্টিশিংনদি মখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেটকী মিং মীখলগী মাঙওইননা লাউথোক্নরি। অদুমওইনমক কংগ্রেস পার্টিনদি মখোয়না তৌরিবা অদুগুম্না তৌরোই হায়না ফোঙদোরক্লি। কংগ্রেস পার্টিগী ওইনা লাক্লিবা মীখলগী কেম্পেনগী লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু অমত্তা ওইনা খনখি।

কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিনা রাহুল গান্ধি প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি। মদু পার্টি অদুগী চৎনবী মতুং ইন্না মীখল মমাঙদা মখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ লাউথোক্তবা হায়বা অদুদা লেপখিবননি হায়রি।

## য়াসিন ভটকাল কর্নাটাকা পুলিসতা শিন্নখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭ ঃ** ইং ২০১০ দা কর্নাটাকাগী চিন্নস্বামিগী ষ্টদিয়মদা বোম পোকখায়হনখিবগী মরী-মখোঙ খঙদোক্নবগীদমক কোর্ট অমনা ঙসি ইন্দিয়ন মুজাহিদিনগী কো-ফাওন্দর য়াসিন ভটকালবু কর্নাটাকা পুলিসতা শিন্নখ্রে।


পাটিয়ালা হাউস কোর্টকী দিষ্ট্রিক্ট জজ আই এস মেহতানা কর্নাটাকা পুলিসনা ভটকালবু চিন্নস্বামি ষ্টদিয়মদা পোকখায়হনখিবগা মরী লৈননা মহাকপু কর্নাটাকা পুলিসতা শিন্নিবীনবা হায়জরকখিবা অদু অয়াবা পীখি। ভটকালবু কর্নাটাকা পুলিসকী কষ্টদিদা চৎলিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবা থম্বা য়াবগী অয়াবা পীরকখিবগা লোয়ননা কর্নাটাকা পুলিসনা ভটকালবু মখোয়গী কষ্টদিদা থমখ্রে।

কর্নাটাকাগী বেঙ্গলোরদা কোর্ট অমনা য়াসিন ভটকালবু কোর্ট অদুদা পোকখায়হনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চৎলিবা থা অসিগী ২০ ফাওবদা কোর্ট অদুদা পুথোরক্নবা খঙহল্লকখি হায়নসু কর্নাটাকা পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট জজ অদুদা ফোঙদোকখি।

চিন্নস্বামি ষ্টদিয়মদা শান্নগদবা রোয়েল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোর অমসুং মুম্বাই ইন্দিয়নগী ক্রিকেট মশান্নগী মাঙওইননা ইং ২০১০গী এপ্রিল থাদা লো ইন্টেসেন্সিটি বোম অনী পোকখায়হল্লকখিবগা মরী লৈননা ভটকালবু কর্নাটাকা পুলিসনা অমুক হৌনবী মতুং ইন্না ফারে হায়রি।

নেশনেল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সি (এন আই এ)না মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা ভটকালবু লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা টেরর এটেক চথবগা মরী লৈননা ফাগৎখিবনি।

## ইন্দিয়ন মুজাহিদিনগী লুচিংবা থাদোকহন্নবা এরোপ্লেন হায়জেক তৌরকপা য়াই চিংনবদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে





**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭ ঃ** ইন্দিয়ন মুজাহিদিন (আই এম)না হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা লৈরিবা মখোয়গী লুচিংবা য়াসিন ভটকাল থাদোকহন্নবা এরোপ্লেন হায়জেক তৌরকপা য়াই চিংনবগা লোয়ননা ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েশন সেক্যুরিটিনা চয়োল অসিদগী এয়রপোর্টশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

ব্যুরো ওফ সিভিল এভিয়েশন সেক্যুরিটি (বি সি এ এস)না ইন্দিয়ন মুজাহিদিনগী মীওইশিংনা এয়রক্রাফ্টশিং হায়জেক তৌরকপা য়াই হায়বগী রিপোর্ট ফংবদগী লৈবাক অসিগী অপীকপা এয়রপোর্টশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে। মখোয়না হায়জেক তৌবা য়াবগী মরুওইবা মরমদি মখোয়গী লুচিংবা য়াসিন ভটকাল থাদোকহন্নবনি হায়রি।

এয়রপোর্টতা মী উন্নবা লাকপা কাঙবুশিংনা মখোয়গী মীওইশিং উন্নবা টিকেট ককপগী থবক জনুৱারি ২০দগী ৩১ ফাওবা থিংজিনখ্রে।

টেরোরিষ্টশিং থেংনবগী পায়খৎ-কদবা থবক থৌরমশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনখিবগা লোয়ননা এয়র-পোর্টকী পার্কিংশিংদা খামগদবা গারীশিংদা কার বোম পোকখায়হল্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

১৯৯৯দা ইন্দিয়ন এয়রলাইন্সকী এয়রক্রাফ্ট আই সি-৮১৪ হায়জেক তৌদুনা অফগানিষ্টানগী কান্দহারদা থমখিবা অমদি মায় পাক্লা জয়সৈ-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা মৌলানা মাসুদ অজার অমদি অতোপ্পা মীওই অনী থাদোকহনখিবা অদুগুম্না ওইরকপা য়াই হায়না চেকশিন থৌরাং অদু লৌখৎখিবনি।

ইন্দিয়ন মুজাহিদিনগী লুচিংবা য়াসিন ভটকাল বিহারগী নেপালগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদগী মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ২৭তা ফাগৎখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এটেক চথনবা প্লান তৌরমখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধে উনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭ ঃ** আম আদমি পার্টি সরকারনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধে উন্নদুনা দিল্লি পুলিসকী ওফিসিয়েল মরি সম্পেন্দ তৌননবা তকশিনখ্রে।

হায়রিবা পুলিস পর্সনেলশিং অদুনা মীয়ামদা কোওপরেশন পীদবা অমসুং মতম শাংনা থবক তৌরক্তবগী মতাংদা পুখৎখিবা ৱাফম অদুবু দিল্লি পুলিসকী মকোক্না য়াখিদবগা লোয়ননা হায়রিবা পুলিস পর্সনেলশিং অদু নিয়মগী মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট অদুনা এক্সন লৌখৎ-কদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দিল্লিদা সরকার পায়রক্লবা আম আদমি পার্টিগী মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, নিয়মগী মতুং ইন্না থবক তৌদবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং মশক খঙদোক্কনি।

দিল্লিদা ইজ্জৎ মাঙহনবগী থৌদোক কয়া থোক্লি, সেক্স অমসুং দ্রগ লল্লোনবশিংনা ইফোং ফোংনা করবার চথরি। মদু পুলিসনা করিসু তৌদনা লৈরে।

সৈলা দিকজিংনা পানখিবা দিল্লি



সরকারগুম্না এ এ পি সরকারনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। পার্টি অদু অতোপ্পশিংদগী তোঙানবা ৱাখল্লোন লৈতবা পার্টিনি।

দিল্লি পুলিসপু সরকারগী মখাদা লৈগদবনি হায়না লৌদে। মখোয়না মখোয়গী মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্কদবনি। মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং মশক খঙদোক্কনি হায়নসু সিসোদিয়ানা সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অদুগী মতাংদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধেবু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা উনখ্রে।

ঙরাং কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী কেবিনেট মরু ওইনা রখিবীরলা, সোমনাঠ ভারতি অমসুং মনিশ সিসোদিয়ানা দিল্লিগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণর নজিব জংগা মহাক্কী লৈফমদা উন্নখি। উন্নবা অদুদা দিল্লি পুলিসকী কমিশ্নর বাসিসু শরুক য়াখি। লোয়ননা এ এ পিনা মরাল শীরিবা পুলিস ওফিসিয়েল মরিসু য়াওখি।

পূং অমা চুপ্পা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী মন্ত্রিশিংনা দিল্লিদা নুপীশিংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগী ৱাফম পুখৎপগা লোয়ননা পুলিস ওফিসর অহুম অমদি এ সি পি অমা মখোয়গী মথৌদা পূক্নিং চঙদবগীদমক সম্পেন্দ তৌননবা ৱাফমসু পুখৎখি।

হায়রিবা পুলিস ওফিসরশিংনা ইজ্জৎ মাঙহনবগী কেসশিংদা মতেং পাংউ হায়বদা য়াখিদে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

দিল্লিগী মিনিষ্টর ভারতি অমসুং বীরলানা পুলিস ওফিসিয়েলশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা কেস অনীদা কোওপরেশন পীরক্তে হায়না মরাল শীরি।

বীরলানা সাগরপুর পুলিসকী মনুং চনবদা লৈবা য়ুম অমা অউনপোৎ দিমান্দগা মরী লৈননা মৈ থাখিবা থৌদোক্তা ঙাক-শেনখিদে হায়নসু মরাল শীরি।

## ইন্দিয়াগী ঙা ফাবা মীওই ১২০ শ্রীলঙ্কাদগী থাদোরকখ্রে

**রামেশ্বরম, জনুৱারি ১৭ ঃ** থা কয়াগী মমাংদগী ফাজিন্দুনা থন্লকখ্রবা ইন্দিয়াগী ঙা ফাবা মীওই ১২০ লৈবাক অনিনা য়ানচেরোল সহি তৌনদুনা ফাজিন্নরিবা ঙামীশিং থাদোরক্নবা য়ানখিবগী মতুং ইন্না ঙসি থাদোরকখ্রে। শ্রীলঙ্কাগী ঙা ফাবা মীওই ১৬০ অমসুং ভেসেল ৪ ইন্দিয়ানা থাদোক্লগনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ঙা ফাবা মীওই ২৩৬ অমসুং হি ৯০ য়ানখিবগী মতুং ইন্না জনুৱারি ২০ ফাওবগী মনুংদা শ্রীলঙ্কানা থাদোক্লবা য়াই। মদু লৈবাক অনিগী ওইনা য়ানবগী মতুং ইন্না থবক পায়খৎলক্কদবনি হায়রি।

অহানবা ওইনা টামিল নাদুদগী ঙা ফাবা মীওই ৫১ অমসুং শ্রীলঙ্কাগী ৫২ ফাজিন্দুনা থম্নরমখিবা অদু ঙরাং থাদোক্লখ্রে। জনুৱারি ১৩ দা শ্রীলঙ্কাগী কোর্ট অমনা নাগাপাটিনমদা ফাজিন্দুনা থন্লিবা ঙা ফাবা মীওই ১১১ থাদোক্লবা খঙহল্লকখি। লোয়ননা জফানাগী জেলদা লৈরিবা ঙা ফাবশিং অদু নুমিৎ নিনিগী মনুংদা থাদোক্লবা খঙহনখি হায়নসু পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মন্দাপমদগী ফাগৎখিবা ঙা ফাবা মীওই ১০ অদু মনর মাজিষ্ট্রেট অনন্ধি কানাগারিথিমম না ওর্দর অমা থোকখ্রে। অদুম ওইনমক রামেশ্বরমদা ঙা ফাবা মীওই ১৩ অমসুং জগৎথা পতিনমদা মীওই ১৭ লৈরি। মীওইশিং অদু শ্রীলঙ্কাগী পুদুকোটাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মালাগম কোর্টতা জনুৱারি ২৯ দা পুথোক্কনি হায়রি। হায়রিবা মীওইশিং অদু মমাং চহিগী নভেম্বর ৩০ দা মখোয়না তোংলকপা হি ৪গা কোন্ননা শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী লমদম লানশিন্দুনা চঙলকপগীদমক ফাগৎখিবনি হায়রি।

## এন ঐচ আর সি না য়ু পি সরকারদা রিহেবিলিটেসনগী থবক পায়খৎননবা খঙহনখ্রে

**লক্ষ্ণৌ, জনুৱারি ১৭ ঃ** মুজাফর নগর অমসুং সামলিগী কাংলুপকী ঈরাংদা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা নেস্নেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না ষ্টেট অদুগী সরকার পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টিতা খঙহনখ্রে।

এন ঐচ আর সি গী চেয়ারপার্সন কে জি বালাকৃষ্ণননা ঙসি লক্ষ্ণৌদা ফোঙদোকখিবদা কাংলুপকী ঈরাং অদুনা লাঞ্জেন্নরক্লবা ময়ুম মকৈ লৈজদ্রবা মীওই লিশিং ৫১ দা ষ্টেট সরকারনা খুন্দা লৈতাহন্নবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মখোয়বু থবক ফংহন্নবগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ষ্টেট সরকারনা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিং অদুদা পীরিবা হিদাক লাংথক্কী ফেসিলিটিশিং অদু মতিক চাদে। মরম অদুনা মীওইশিং অদুগী হেলঠ অমসুং সেনিটরিগী ফিভম ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎকদবনি হায়নসু বালাকৃষ্ণননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ ৩ নিগী ওইবা ষ্টেট অদুগী কোনুংদা পাঙথোকখিবা নেস্নেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মীফমগী অরোইবা নুমিৎতা ঙসি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মুজাফর নগর অমসুং শামলি দিষ্ট্রিক্টতগী কাংলুপকী ঈরাংনা লাঞ্জেন্নরকখিবশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।


কম্মিসন অদুগী মীওই ৩ না শাবা কাংবু অমনা মুজাফর নগর অমসুং সামলিগী রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি। নিউজপেপরশিংনা পীরকখিবা রিপোর্টশিংগা য়েংনবদা ওইরম্লিবা ফিভম অদু কা হেন্না খেন্নবা থেংনরকখি। কম্মিসনগী মীওই ৩ না শাবা টিম অদুনা কেম্প অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিংগী লৈরিবা ফিভম অদু পুক্নিং নুংশিনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## হৌজিক মতমগী অঙকপা ৭ – (৪)

*দি ইদেন প্রোজেক্টঃ য়ু কেগী কোর্নৱালদা শাখিবা খ্বাইদগী চাওবা গ্রীনহাউস অসিসু হৌজিক মতমগী অঙকপা তরেৎকী মনুং চল্লি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা গ্রীন হাউস অসি শাবদা মসিগী ফাওন্দেশনশিং শেমগৎপদদা লৈবাক মিল্লিয়ন টোন ১.৮ চংই। মনা-মশিং অমদি অতৈ পাম্বী লাক্ষ ১ থারিবা গ্রীন হাউস অসি নিকোলাস গ্রিমশোনা দিজাইন তৌরগা ইং ২০০১ দা হাংদোকখিবনি। গ্রীন হাউস অসিগী কুপ্লিবা মথকশিং অদু মশিং য়াল্লবা চোংঙা বোন্দ (দোম) শিংনা পরেং পরেং পাক্তক্লনা উদুনা য়ু কেগী ওইনা খ্বাইদগী মমিং চৎলবা টুরিষ্ট স্পোট অমসু ওইরি। এনভাইরো মিসন সোলার টৱারঃ ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেল্সতা শাগদবা সোলার টৱার অসি জর্মনিগী ইঞ্জিনিয়ার জোর্গ স্কলাইকনা দিজাইন তৌবনি। সোলার টৱার অসি কিমি ৫ গী অকোইবগী লমজাও অমদা মসিগী সোলার পেনেলশিং অসি ফিট তৌগদৌরিবনি। কিমি ৫গী ওইবা সোলার প্লেটশিং অসিনা নুমিৎকী মৈশা লৌহৌরগা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্নবা টর্বাইন কয়ামুক উংহনগদৌরিবনি।*

## দেনিশ ৱুমেন গেং রেপকী ৩শুবা একুয়্জ ফারে




**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭ ঃ** দেনিশ লমকোয়বী চহি ৫১ শুরবী নুপী অমা ইজ্জৎ মাঙহনখিবগা থৌদোক্কা মরী লৈননা খ্বাইদগী চাউনা চেন্নবা ৩শুবা মীওই দিল্লি পুলিসনা ফারে।

মীওই অদু কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ হুম্নি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথবগী অয়াবা দিল্লি কোর্টনা পীখ্রে।

চহি ২৩ শুরবা রাজু কৌবা মীওই অদু ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাগৎখিবনি। মহাকপু এদিশনেল চিফ মেত্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট সুধানসু কৌসিককী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং চৎলিবা থা অসিগী ২০ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা ৱাহং পাউহং চথনবা রিমান্দ লৌথখ্রে।

নুমিৎ হুম্নিগী রিমান্দ পীবিনবা হায়জখিবগা লোয়ননা রাজু হায়রিবা মীওই অদুগা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই মহেন্দ্র এলাইজ গানজা অমসুং মহম্মদ রাজা কৌবা মীওই অনীগী মিংসু ফোঙদোরকখ্রে।

রাজু অমসুং থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অনী চৎলিবা থা অসিগী ২০দা কোর্ট অদুমক্তদা পুথোক্কনি হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা রাজু হায়রিবা মীওই অদু দেনিশ নুপী অমা থাঙ উক্তুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৪গী নুমিদাংদা ইজ্জৎ মাঙহনখিবা অমদি অতাঙবা পোৎ কয়া লুট তৌবদা চেন্নখিবা মীওই ৮গী মনুংদা মরু ওইবা মীশক অমনি।

ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসারনা কোর্ট অদুদা ফোঙদোকখিবদা, রেলৱে পুলিস ফোর্সনা মীওই অদু দিল্লি রেলৱে ষ্টেশন্দগী ঙরাং ফাখি।

মীওই অদু রেলৱে কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা দিল্লি পুলিসতা শিন্নরকখিবনি হায়রি।

ফারবা মীওই অদুনা থৌদোক অদুদা মহাকপু মশামক চেন্নখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখ্রে। লোয়ননা দেনিশ নুপী অদুদগী লূট তৌখিবা আই-পেদ ফোন অমসু মঙোন্দগী ফংবা ঙম্লে। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ৫দি হৌজিক ফাওবা চেন্দুনা লৈরি হায়না কোর্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

ফারবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৭৬(২)(জি)(গেং রেপ), ৩৯৭ রোভরি অমসুং ৩৯২পাল্লি।

দষা য়েংথোকপীয়ু

অনৌবা চহিগী দষা লাংফম, অঙাংগী অফ-ফত্ত, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ঙাংনবা ৱাবা, ইমুংদা অনম-অহা চুবা, ৱাখল তিন্নদবা, শেল তুঙদবা, লুহোংফাল থিম্বা, অঙাং পোক্তবা, কেশ থেংনবা, রাজনিতি, থবক, করবার, প্রমোসন, লায়ওং খঙদবা অনাবা অসিনচিংবা জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কৃপথনা য়েংজরি। দষা ঙাক্লবা অজা-পূজা, উপায় কয়াসু তান্নবীয়ু।

Sd/- **Rajendra Phai**
(JyotishViswabidyacharja)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Ananda Academy Road, I/E
SL/1144/18,19

ORIGINAL MARKSHEET LOST

I have lost my original Marksheet of Class X bearing Roll No. 27967 of 2012 examination issued by Board of Secondary Education Manipur, on the way between Uripok and Keishamthong.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ruby Soram**
D/o Soram Ranjit Singh
and Soram (O) Surnalata Devi
Uripok Sorbon Thingel
SL/1146/18

LEO CLINIC
THE COMPLETE E.N.T. CLINIC
Singjamei Chingamakha, Imphal, Manipur

Leo Clinic, শিংজমৈ চিংঙামখা অমসুং Potsangbam Bhuban Singh Memorial Trust না শিঞ্জ-লাংজদুনা Singjamei Chingamakha Khongnang Leirak Development Society গা খুৎশম্নজদুনা লাক্লিবা জানুৱারীগী তাং ১৮,১৯ অমসুং ২০ দা নাকোং তাদবশিং লেম্না Hearing Test তৌজগনি। জানুৱারী তাং ২১ লৈপাকপোকপা নুমিৎ অসিদা শ্রীপোৎশংবম ভুবন সিংহগী ১০১ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা Hearing Aid খর লেম্না য়েংথোকচবগী থৌরম অমসু পাঙথোকচগনি। নুমিৎশিং অসিদা অরিবা Hearing Aid শিজিন্নবিবশিংনা অনৌবা Hearing Aid মহুৎ শিন্দোকপিবা মতমদা অনৌবা Hearing Aid অদু অপাম্বা মোডেল অমদা হেক্তা 15% discount ফংবিরগা লৈবিবা য়াগনি। Canada দা শাবা Unitron অমসুং Denmark তা শাবা Widex Hearing Aid কী মতমগা চুনরবা Advanced Technology গী Hearing Aid শিং মমল হোংনা লৌবিহৌবা য়াগনি। মণিপুরদা অহানবা ওইনা BERA, OAE, ASSR, VEMP, ECHOG নচিংবা শিজিন্নদুনা চহি নৌরিবা অমসুং পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংগী Hearing Test তৌবগী খুদোংচাবা থমজরে।
SL/1145/18 Contact No. : 9774756459